থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ওইথোক্তবনা ওইথোক্লক্লবদা...



লৈবাক অমগী পোলিটিসিয়নশিংবু অফবা পোলিটিসিয়ন অমা ওইহনগে হায়রবদি লৈবাক্তুদা পোলিটিকল পার্টি অনীদই হেন্না লৈহল্লোইদবনি হায়বসি দেমোক্রেসি হায়বা লৈঙাক মখল অসি হৌদোরকখিঙেদগী, লৈঙাক পথাপ অসিদা থাজজবা মালেমগী লৈবাক খরদা চৎনরকখিবা অমদি ওইরকখিবা অহোংবশিংদু উরগা হায়নরকপনি, কনাগুম্বা অমনা শেন্লম্বা ৱাহায়দুমক্তি নত্তে। দেমোক্রেটিক কন্ট্রি অমত্তগী লৈঙাক-কাঙলোন (কন্সটিট্যুসন) দা লৈবাক্তুদা 'টু-পার্টি-সিষ্টেম চৎনগনি' হায়দুনা ইদুনমক্তি য়াওরল্লোই। ঐহাক কন্সটিট্যুসনেল এক্সপার্ট অমা হায়বদু ওইরুদবনা ৱাফমসিদা মত অমত্তা পীজরোই। গ্রেট বৃটেনগী পার্লিয়ামেন্ট - 'হাওজ ওফ লোর্দস' অমদি 'হাওজ ওফ কম্মন্স' অনীখক্তনা শাবা, য়ু এস এগী পার্লিয়ামেন্ট'সু 'হাওজ ওফ সিনেটস' অমদি 'হাওজ ওফ রিপ্রজেন্টেটিবস' হায়না অনী খায়দোক্লম্বদুগী মতৌ তমদুনা 'রাজ্য সভা' অমদি 'লোক সভা' হায়না মিং-থোন্দুনা, ইনি দয়াদসু মতৌ তন্নগা শেমখি। অপ্পর হাওজ হায়রগসু খঙনবা, ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদুগী মীহুৎ ওইনা থারগা শেম্বা লো/পোলিসি মেকিং বোদি/হাওজ অমা - 'রাজ্য সভা'। অনীশুবা, লাৱর-হাওজ অদুনা, ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা লৈরিবা মী মশীংদুগী মতুংইন্না হাওজ অদুগা ষ্টেট অদুগী মীহুৎ কয়া থাগদগে হায়বদু লেপথোক্লগা, মীয়াম্না দাইরেক্ট ভোট থাদরগা খন্দুনা থাবা মীহুৎশিংগী 'লোক সভা'। পোলিটিকল সেট-অপ অদুবুদি মতৌ তমদুনা শেমখ্রগসু - পিক্কে পিকউ/চাউগে চাউ, য়ু এস এগী ষ্টেট ৫০দুদগী সিনেটর (মীহুৎ) অনী/অনী থারগা অপূনবা মীওই ১০০না 'হাওজ ওফ সিনেট' শেম্মী। ইন্দিয়াগীনা মীশিংদুগী য়েংলগা! অচৌবা ষ্টেট অমগা, ষ্টেট মচা অমগা কৈদৌঙৈদা মান্নরোই। অদুগা মীহুৎ খনবা মতমদসু 'রিপব্লিকান পার্টি' নৎত্রগা 'দেমোক্রেটস' অনীসিগী মরক্তা অমা নৎত্রগা অমা খন্দোক্লগা থাগনি। অতোপ্পা পার্টি অমত্তগী মীহুৎ'তুদা ভোট পীরোই। ইংলেন্দ'দসু অদু মঙায় - 'কনজর্বেটি পার্টি' নৎত্রগা 'লেবর পার্টি'।

অসিগুম্বা মতৌ অসিদি তমগে খন্দে অমদি খলহন্দে। সিক্যুলারিজমগী মিংদা কনাগুম্বা টোম, দিক এন্দ হেরি-ঐগী তাদা, মাম্মা, খুরা অমনা লিংখৎপা পার্টিদা য়াওবা য়াবগী নীংতম্বা পীরি-নীংতম্বা ফংবদা হরাও-মথোয় কারবা ইন্দিয়াগী লাইরিক হৈবা নাগরিকশিংনা শেম্বা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন'না। নীংতম্বগী অন্দোলন মমায় চুন্লকপা মীয়ামগী অপূনবা কাঙলূপ অমবু, নীংতন্লবা মতুংগী লৈঙাক অদু পায়নবা, লূপ অদুমকপু 'পোলিটিকল পার্টি, ওন্থোকখি। ধর্ম্ম-জাৎ-কুচুগী খেন্নবা থমদনা কাঙলূপ খুদিংমক্কী মীয়ামদা পোক্লকপা পোলিটিকল এস্পিরেসন অদুগী মতুংইন্না পোলিটিকল পার্টি লীংখৎপা য়াই হায়রুবদুনা, মখল খুদিংমক্কী পোলিটিকল পার্টি থোক্লকখি - নেসনল, রিজনেল অমদি ষ্টেটকী লেবেলদা লীংখৎপা। অসিগুম্বা পোলিটিকল পার্টি মচা মচাশিংদা পোলিটিকল ফ্রীদম পীরগা অচৌবা পার্টি অমা অনীখক্তদা পোলিটিকল পাৱর পায়নবা খুদোংচাবা পী।

অসুম্না, মতম শাংনা পার্টি অমখক্লা লৌরম্বা খুদোংচাবদু মুনবা ঙম্বা অতোপ্পা পোলিটিকল পার্টি অমা থোক্লকখি। সেফ্রোন পার্টি হায়রগসু খঙনবা, লমদমসিগী মেজোর রিলিজস পিপল অমগী ইন্টরেষ্ট'তা থবক তৌই হায়নবা পোলিটিকল পার্টি অসিনা লমদমসিদা অকনবা পোলিটিকল ফোর্স অমা ওইনা লীংখৎলকপসি অফবনি হায়বা কাঙবু অমা, লৈবাকসিগী ওইনা খুদোংথীনীংঙাই মশকনি হায়বা কাঙলূপ অমা। মশীং য়াম্বা মীওই কাঙলূপ অমনা য়াবা পার্টি, শক্তি লৈবা পার্টি অমা ওইরকপদগী, তৌনীংবতা তৌবদা থিংবীনবা লৈত্রবা দিক্টেটর অমগী থৌওংগা মান্নবা লৈঙাক মখল অমা চত্থরকপসিগী নুংনাংনীংঙাই ওইবা তাংকক অদু লাক্লে হৌজিক্তি। খুদম ওইনা, মহারাষ্ট্রা, মল্টিপল পার্টি পোলিটিক্স চৎনহল্লুবগী মাঙজবা, মহারাষ্ট্র এসেমব্লি ইলেক্সন'না লমদমসিগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা উৎলে। ব্রেক ফাবীনীংঙাই লৈত্রবা অচৌবা গাড়ী অমনা মীয়াম মরক্তা থৌজিল্লকপই অৱাবদুনি মহারাষ্ট্রগী মীয়াম্না তারিবা। সেফ্রোন পার্টিগুম্বা ঙাক্তনি হায়নবা বি জে পি অমদি সিব সেনা - চহী ৩০গী মমাঙদগী কায়নবা য়াদ্রবা মপাঙ ওইনা লোয়নরকখিবা - ২০১৯, মহারাষ্ট্র-ইলেক্সনসিগী মতুংদদি অমুক শমজিন্নবা য়াররোইদবগুম মরী তৎনরে। সিট ১০৫ ফংবা বি জে পিগা ৫৬ ফংবা সিব সেনাগা ইলেক্সন মমাঙদগী লৈঙাক শেম্মীন্নগনি ৱাশকমিন্নরকই। চীফ মিনিষ্টর শিন্ন-শিন্না ওইমিন্নবগী ৱাহৌদা য়ানদ্রে। কায়নরে। লৈঙাক শেম্নবগীদমক ওইথোক্লরোইদবা অমা ওইথোকহনবা তারকই - সিব সেনাগা কোংগ্রেস'কা অমত্তা ওইবা। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা হায়খি - 'হন্দক, মহারাষ্ট্র-লৈঙাক-শেম্বদা কোংগ্রেস য়াওহৌদ্রবা, মহারাষ্ট্রদা কোংগ্রেস লোইরে'। সিব সেনা (৫৬), এন সী পি (৫৪) অমদি কোংগ্রেস (৪৪) অহুম পুন্দুনা লৈঙাক শেম্বা নত্তনাঅতোপ্পা ওইথোকপা য়াবা লম্বী লৈত্রে। য়ানগদ্রা খল্লুই য়ানখিদে। প্রসিদেন্ট'-রুল থমজিনখি। অদুঙৈগী চানক্যগুম্বনি হায়নবা অমিট শাহ'গী থৌশিলদগী 'দেবেন্দ্র ফদনবিস' সী এম ওইনা ৱাশক্লগা 'অজিৎ পাৱর'না দেপ্যুটি সী এম ওইনা ৱাশক্লকপা, খঙহৌদনা পি আর লৌথোকখিবা, এন সী পি - বি জে পি পুল্লকপা ঙকপনা থেংখি ইন্দিয়া! কুইদে, সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং লাকই - 'য়ূমশকৈশ (নবেম্বর ২৭, ২০১৯) নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবই মনুংদা এসেমব্লিগী লৈমায়দা লৈঙাক শেম্বই এম এল এ মশীং (১৪৫) শুনা লৈ হায়বা, লাইব-টেলিকাষ্ট তৌদুনা উৎলু'। ঙল্লোই খঙনা, বোসকী শক্তিদা থাজরুদুনা, পুং খরা চীফ মিনিষ্টর ওইরুরগা লৈবাকপোকপই নুংথিল পুং ৪ গভর্ণরদা 'থাদোক-চে' পীশিনখি। পি আরদি অমুক থন্লরোই। য়েংসি - উধব থাকরে, মপাবুংগী মঙ মঙফাওনহন্দুনা, কৈদৌঙৈ মহারাষ্ট্রগী সী এম ওইনা ৱাশক লৌগনি!

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# ব্রেনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা





ব্রেন অসি ঐখোয়গী হকচাংগী 'কন্ট্রোল য়ুনিট' নি, মসিদা মেমোরি অমদি ইমোসনশিং তুংশিল্লিবনি। অদুবু অসুক মরুওইখ্রবা ব্রেন অসিগী মরমদা ঐখোয়না খঙবা য়াবা কয়াদি খঙদনা ঙসি ফাওবা লেল্লক্লি। ব্রেনগী মরমদা থিজিনবদি লোইবা নাইদে অদুবু থিজিনবদগী খঙলবা, খঙজিনবা য়াবা ব্রেনগী মরমদা ৱাফম খরা খঙমীন্নসি।

মীওই অমগী চহী, নুপা/নুপী, হকচাং অপূনবগী মাস অসিনচিংবশিং খেন্নবগী মতুংইন্না ব্রেনগী চাউবগী চাংসু খেন্নৈ। অদুবু, ষ্টদি কয়াদগী খঙলে মদুদি চাংচত্তা মপুঙ-মরৈ ফারবা নুপা অমগী ব্রেনগী অরূম্বা অসি গ্রাম ১,৩৩৬ নি অদুগা মপুঙ-মরৈ ফারবা নুপী অমগী ব্রেননা গ্রাম ১,১৯৮ লূম্মী। মালেমগী লৈরিবা থৱায় পানবশিংগী মরক্তগী মীওইবগী ব্রেননা ন্যুরোন মশিং খ্বাইদগী য়াম্না য়াওই। ব্রজিলিয়ন ন্যুরোসাইন্টিষ্ট শুজানা হক্যুলানো-হাউজেলনা থিজিনবদগী মীওইবগা ব্রেনদা নুরোন বিল্লিয়ন ৮৬ লোম য়াওই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেম অসি ব্রেন অমসুং স্পাইনেল কোর্দনা পুল্লগা শেম্মী। ব্রেনদা মরুওইবা শরুক অহুম য়াওই, ব্রেনষ্টেম, সেরেবেল্লম, সেরেব্রম হায়রিবশিং অসিনি।

ব্রেনষ্টেম হায়রিবা পান্থীগী মউ মানবা শরূক অসিনা ব্রেনগী শরূকশিংগা স্পাইনেল কোর্দকা শম্নহল্লি। সেরেবেল্লম অসিনা ব্রেনগী মনীং থংবা শরুক্তা লৈ, মসি হকচাং লেঙ ওৎপাবু রেগ্যুলেট তৌবা, মোটোর লার্নিং অমদি ইক্কিলিব্রিয়ম মেন্টেন তৌবদা অহকপা থৌদাং লৌই। সেরেব্রম অসিনা ব্রেনগী খ্বাইদগী চাউবা শরূক্লি, মসিদা সেরেব্রেল কোর্টেক্স (মসিদনা অমুক ওইথংবা অমদি য়েৎ থংবা হেমিস্ফিয়র য়াওই), অমদি অতৈ অপীকপা ষ্ট্রকচরশিংসু য়াওই। মখোয়শিং অসি ৱাখল খনবা, ফিরেপ লেপ্পা, মেমোরি অমদি লর্নিং প্রেসেস, কম্ম্যুনিকেসননচিংবগী থৌদাং লৌই।




ব্রেন অসি গ্রে অমদি হ্বাইট মেট্টর য়াওনা সোফ্ট টিস্যুশিংনা শেম্বনি, মসিদা নর্ভ সেলশিং, নোন-ন্যুরোনেল সেলশিং অমদি অপীকপা ঈগী উতোংশিং য়াওই। ব্রেনদা ঈশিংগী শরূক অমদি ফেটগী চাং য়াম্না য়াওই। ঙল্লিঙৈ মতমগী মীগী তুংলোমদা তুমথোকপা ব্রেন মখল অদুগা মান্নদবা মওংদা হৌজিক মতমগী মীওইবা হায়বদি হোমো সেপিএন্স সেপিএন্সকী ব্রেন অসিদি মতূম তায়। হৌজিক ওইরিবা মতুম তাবা ব্রেন অসি চহী ৪০,০০০ দগীনা ৫০,০০০ রোমগী মমাঙদা হোমো সেপিএন্সতা ওইরকখিবনি হায়না রিছার্সগী মতুংইন্না হায়রি।

মীওইবগী ব্রেন অসি য়াম্না চাউদ্রগসু মসিনা তৌরিবা মথৌশিং অদুনা মরম ওইরগা ইনর্জি ময়াম অমা মথৌ তাই। ব্রেনগী অরূম্বসি মীওইবগী হকচাংগী অপূনবা অরূম্বগী চাদা ২ খক্তং ওইরবসু হকচাং অপূনবনা মথৌ নোংমদা মথৌ তাবা ইনর্জিশিং অদুগী চাদা ২৫ দি ব্রেননা শীজিন্নৈ।

মতম কয়াগী মমাঙদগী হায়নদুনা লাক্লি মদুদি ঐখোয়না ব্রেন শীজিন্নবগী চাং অসি শূপ্নতগী চাদা ১০ খক্তংনি হায়না। করিগুম্বা লেমহৌরিবা চাদা ৯০ গী চাং অদুসু শীজিন্নবা ঙল্লগদি মীওইবনা করি-করি তৌবা ঙমগদগে হায়বসি লাম্বা ফংদবা ৱাফম অমখক্লি। অদুবু মীওইবনা ব্রেনগী শরুক চাদা ১০ খক্তং শীজিন্নৈ হায়বসি লাল্লি হায়দুনা রিছার্স কয়া তৌদুনা ফোঙদোকখিবদি লৈরে।

মীওই কয়াগী মরক্তা খুৎ য়েৎনা হৈনবা নৎত্রগনা ওইনা হৈনবা লৈবগুম, ব্রেনসু য়েৎ থংবা হেমিস্ফিয়রনা হেন্না শীজিন্নবা নৎত্রগনা ওই থংবা হেমিস্ফিয়রনা হেন্না শীজিন্নবা হায়দুনা মখল অনী লৈ হায়দুনা হায়নরি। অদুবু রিছার্স তৌবদগী খঙলে মদুদি ঐখোয়না ব্রেনগী হেমিস্ফিয়র অনীমক ইমান মান্নবা শীজিন্নৈ হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

ঐখোয়গী চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না ব্রেনগী মফমশিংদা মথন্নদা পীকশিনবা হৌরকই, মসিগা লোয়নন্না ন্যুরোনগী মশিংসু হন্থরকই। মেমোরি ফোর্মেসন অমদি নীংশিংবা য়াওনা কোগ্নিটিব প্রোসেসশিংবু রেগ্যুলেট তৌফম ওইরিবা ফ্রন্টেল লোব অমদি হিপ্পোকম্পুস হায়রিবা ব্রেনগী মরুওইবা শরুক অনী অসি ঐখোয়না চহী ৬০ নৎত্রগনা ৭০ শুরকপা মতমদা পীকশিনবা হৌরকই।

মরম অসিনা অহল ওইশিল্লকপা মতমদা অনৌবা ৱাফম/পোৎশক অমা তম্বা অমদি মতম অমত্তদা থবক ময়াম তৌবদা হান্নদগী হেন্না অৱাবা ওইরকপা য়াই।

## অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা অইবশিংগী থৌদাং হায়বা লিটরেরি ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য থৌপাংলূপ ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা অইবশিংগী থৌদাং হায়বা হিরমদা লিটরেরি ফেষ্টিভেল অমা ঙসি মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেসন অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা সিম্পোজিয়মগী থৌরমদা য়ুনিয়ন ওফ এসোসিএসন ওফ মণিপুর রাইটরগী প্রসিদেন্ট সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা চ্যের লৌখি। সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী, অশৈলূপ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দিলিপ ময়েংবম অমদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী লনচেনবা মৈতৈনা ৱাঙাংলোয় ওইখি।

ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অমা লৈরবদি লোল, নাৎ, লাইনিং, ময়েক অমসুং চৎনবী লৈগদবনি। পুন্নমক অসি শুনা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেটবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌওইবীদনা লৈরি। লিটরেরিগী সেমিনার তৌরবদি অইবশিংগী রিজোল্যুসন লৌগদবনি। লিটরেচর ফেষ্টিভেল, সিম্পোজিয়ম পাঙথোক্লি বসি পুৱারীগী অহানবা খোঙথাংনি। নোংমা চুপ্পা অইবশিংগী মতম লৌদুনা হোৎনরসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাঙাংলোয় ওইখিবা অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী লোল, ময়েক লৈজরগা অইবশিংনা ইরকপনি। পুৱারী লৈজরক্লবা অমনি। খোংজোম লানদগী অহোংবা লাক্লে। হান্নদি শা-উচেক, পাৎ-তুরেল, লম্মীৎলোন্দা শৈথাদুনা ইরকপা ঙাক্তনি। ঈশৈদা ওইরবসু, য়াকাইরেল শকপা ওইরবসু ঐখোয়গী বাউন্দরি শৈথাদুনা শকপা ঙাক্তনি। হৌজিক মণিপুরদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমদি সী এ বিগী ঈহৌ লাক্লি। মণিপুরী লোল অসি মণিপুরগী ওইবা ফুরুপ অমখক্তগী শেম্বা নত্তে। মণিপুর অপূনবগী কোনশিন্দুনা শেন্লম্বা লোলনি হায়বসি খঙগদবনি। হৌজিক্তি মৈতৈ অমদি মৈত্রাবাক হায়রগা য়াম্না পীকশিল্লকপগী ফীভমদা লাক্লে। মসিদা অইবশিংগী ওইনা চঙশিনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ডা. লনচেনবনা হায়খি, কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌরকপদগী করিসু তৌবা ঙমদনা লৈবগুম তৌরক্লি। ইন্দিয়াদা মণিপুরনা তীনবদা খরনা কপনৈ, খরনা থাবল চোংই হায়। জি কে পিলাইনা মণিপুর নীং-তম্বগী হৌরগা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌখিবগী ৱারী অশাংবা অমা ঙাংলিবদু ঐখোয়না ঙাংলুরবদি এন এস এ পাল্লক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা দিলিপ ময়েংবমনা ফোঙদোকখিবদা, অইবশিংনা মানা মানা থোকপা ইনরি। অইবশিংসু এক্টিভিষ্ট অমনি। শিলচরদা তারিবা মৈতৈশিংনা মখোয় অসামদগী তোঙান তারগনি হায়খিবা লৈ। অইবশিংগী ওইবা চঙশিনবা য়াম্না লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

অনীশুবা সেসনদা ইমিনেন্ট পোইট, বাংলাদেশ এম দি অবুল, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী সেক্রেটরি এল বিমঙ্গোল, লৈমরোল খোর্জৈকোলগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সুবধনি অমদি চিরু লিটরেচর সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট অঙম জাতুং চিরুনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

## লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োং শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : লংমাইচীং (নোংমাইচিং) দা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনাহমী লাইনিংকোল(য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর)গী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং (লাইশঙ) শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঙোরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সলাম মনিলাল, নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী মবোক সলাম থরোগী মিংদা লুপা ১১১১, ইঙুদম শ্যামকিশোর, ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, বিষ্ণুপুর জিলা পরিষদ, বিষ্ণুপুরনা লুপা ৫০০০, থিয়াম দিলিপ মৈতৈ, খা পোৎশংবমদা লৈবনা লুপা ১০০০, অরাম্বম রাধাকিশো, সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবনা লুপা ২০০০, থৌনাওজম কিশোরচান্দ, নোংমৈবুং নাম্বম চিথেক্তা লৈবনা লুপা ১০০০, নিঙোম্বম ইবোতোন, থম্বালখোং তোর্বানদা লৈবনা লুপা ১১৩০, শামন্দ্রাম সনাজাওবা, নম্বোল কোংখামদা লৈবনা লুপা ১০০০, তোইজম নন্দ, নম্বোল কোংখামদা লৈবনা লুপা ১০০০, থোকচোম লমজিংবা, নম্বোল মখা লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, ইরোম শ্যামানন্দ, নম্বোল মখা লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, কোন্সম দোরেন্দ্র (সাফাবা), নম্বোল অৱাং লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, চিংশুবম বুধ (অঙোম), নম্বোল মখা লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, য়েংখোম রাজেন, নম্বোল মখা লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, চান্দম রঞ্জনা খুমন, নম্বোল অৱাং লৈকায়দা লৈবনা লৈখিদ্রবা মপাবুং চান্দম রঞ্জিৎকী মিংদা লুপা ১০০০, চিংঙুবম শামু, নম্বোল মখা লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, সলাম ইঙো, থিনুঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, চিংশুবম লৈবাকলোৎপি, তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০ অমদি সোরাম দিলিপ, তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০ তেংবাংবীরকখি।

লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপগা লোয়নন্না লাইয়িংথৌ সনামহীনা তেংবাংলোয় পুন্নমকপু পুন্সি নুংশাংবা, নুংঙাই-য়াইফবা পীনবীবা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি। লোয়নন্না শাগৎলিবা কিয়োং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিঞ্জনবগীদমক কংলৈ য়ুমথোঙ অমদি কংলৈ মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেলগী অমদি পোৎলম চৈরম তেংবাংবীরক্লবা নোল্লুকচরি। কনাগুম্বা লুপা লিশিং ১ দগী তাদনা তেংবাংবীরকপা মীওইশিংগী মিং, লৈফম লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জবগা লোয়নন্না লাইনিংকোল অসিগী নুংবীদা হক্তুনা তুং কোয়না নীংশিংননবা থমজগনি। অকুপ্পা মরোল সনা কোনুংগী অনীশুবা সনথোং লাইনিংকোল শঙলেন্দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## ইন্দিজিনস ত্রাইবেল গেমসকী মীট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম)না শীন্দুনা চহী অসিগী দিসেম্বর ১০ দা ইম্ফালদা অহানবা ইন্দিজিনস ত্রাইবেল গেমস এন্দ স্পোর্টস মীট পাঙথোক্লগনি হায়না অটসুমগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন মিকা কামৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীট অসি ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস মিনিষ্টর এন কায়িসিনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোক্কনি। ত্রাইবেলশিংগী য়েলহৌঙৈগী মশান্নাশিং য়োকখৎনবগীদমক অসিগুম্বা মীট অসি পাঙথোকপনি। রেকগনাইজ ত্রাইবশিংনা মাগী মাগী ট্রেদিসনগী ওইবা ফিজোল শেৎতুনা মিনট ২০ দগী তাদনা দেমোন্সত্রেসনশিং উৎকদবনি। শরুক য়াগদবশিংনা সিনোপসিসনচিংবা অমদি পাঙথোক্কদৌরিবশিং অদুগী মতাংদা অটসুমগী ওফিসতা পীশিনবীরকউ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।



HL-B/5814/22-6dec.



HL-B/5749/17oct-16nov.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭।১১।২০১৯ ইং,য়ুমশকৈশা, পোইনুগী নোংমা পানবা।

**মেষ :** ঙক কনবা য়াদে অমদি মরুপ-মপাং থাজবা লুই। লম চৎপদি কান্নগনি, লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইবা অমদি নুংঙাইবা পাউ তাজবা লৈগনি। খুৎ চাউবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** শেল-থুমগী থবক্তদি লম্বা লৈতনা কান্নগনি, ৱাখল থাদদুনা অনৌবা লম্দা খুৎ থাবসু শোইদনা মায় পাক্কনি। ইমুং-মনুংসু ৱাখল তিন্নৈ। মরুপ খনবা হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** মায় পাকই, মীচং লৈগনি, মচাক-মরল লেপশিনবা য়াগনি। অদুবু ৱা য়াম্না ঙাঙগনু,অরং-অরাক পীথোক্কনু অমদি পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎলি-মী তান্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** থিবা-হুন্বা অমদি খাংবা কনবা নত্তনা ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা নত্তনা কান্ননিংঙাই ইরৈ লৈতে। লৌশিং চাউবগী ৱা তাও মদুনা মাঙগদবদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**সিংহ :** অরুবা থবক পাংগনি, মীয়ামগা অফবা মরী লৈ অমদি থৌনা লৈনা থৌ পাংবা ঙসিসু য়াগনি। নোল্লুক্লা চৎপনা মরুপ-মপাং কাইনরোই, ওইজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : নুংশি মরী হান্নগুম ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অশাওবা অমদি খোইরাংবা থাদোকউ। হকচাংগী খল্লগা থৌয়াম পাংদবা ফগনি অদুবু কান্নবদি শোইদনা ফংগনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদদি খক চংলুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** মরুপ-মপাং অমদি লৌশিং চাওবা মী লোয়নবা কান্নবা ফংগনি। চিংনবা লৈতনা ওইজবা তানবা য়াগনি। শেল চৎফম য়াম্বা, অঙম্বনা চৈবীবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈত্রবদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** হরাওবা নুংঙাইবা, হায়জবা তাবীবগী পেঞ্জবা অমদি মীয়ামগী অমদি শেল-থুমগী মতেং ফংবদি লৈগনি। অদুবু চিংনবা অমদি কিবা পোকপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** হোয়া ফবরা হায়বু কাইনবদুম নংগনি। কিদবনা শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকচবদি লৈগনি অমদি নঙগী ওইবা মীগী মতেং লাক্কনি। নথ ক থোংবনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** লাইবক ফগনি, শেল-থুম অমদি ওইজবা তানবদা লায়না মায় পাক্কনি। য়েক্লবসু খুদুম চনগনি, মীংচৎ ফংগনি। নচাক নরলদি মাঙদনবা চেকশিঞ্জৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবদুমক থোক্কনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** মীচং হেনগৎপা, ৱাখলগী পাঙ্গল কনবা নুমিৎ ওইবনা খজিক্তং খন্থরগা পাংবা থবক মায় পাক্কনি। মীৱা লৌবনা চিংনবা হেনগনি। মরুপতি থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** য়েক্লবদি লাকশিনবা ঙমগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাউই অদুনা মীনা ইশিনবা ঙাইদনা ৱারেপ লৌবা অমদি মাঙলোমদা চংশিনবা কান্নগনি । হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংনীংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।